লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা কৈশামথোং এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা লাইশোম বোনিনা নীংথিনা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদদুনা লৈরিবা শক্লাইরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট কৈরাও রাজেনদা শেলগী তেংবাঙ পীখিবা

মীতৈ ইনাৎ য়োকখৎ লুপনা শীন্দুনা অখাম ইপুথৌ খল্লাংবা কম্যুনিটি হোলদা রিভাইভেলিজম ওফ মীতৈ ইনাৎ হায়বা হীরমদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

এম এস এফকী এফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী লীচিং মখাদা লমকা রিহেবিলিটেসন এন্দ রিসার্চ সেন্টর চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল টোল্ক অমসুং বুক দোনেসন প্রোগ্রাম

POLITICAL TALK
&
BOOK DONATION PROGRAM
"EIKHOI LAIRIK NINGTHIMSI"

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা শাবা পি এম কেয়রস পি এস এ ওক্সিজেন প্লান্ট ৩৫ শঙ্গাখিবগী মনুংদা য়াওবা সী ঐচ সী ককচিংদা ওক্সিজেন প্লান্টকী মায়খুম এম এল এ, এম রামেশ্বরনা হাংদোকখিবা

ট্রেনিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১১দগী হৌরগা মসরুম কল্টিভেসন টেক্নোলোজি, স্পাউন মেকিং এন্দ ভেল্যু এদেদকী মতাংদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না রামা ফাউন্দেসনগী পি আর ও নোংঙানবা এসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মশানা মশাবু থবক পীজননবা অমদি শেন্থোক লন্বী লৈহন্ননবনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং, ওর্গনাইজেসন অমদি ফার্মর ক্লবনা মখোয়গী বাইও দেটাশিং ওক্টোবর ১১ ফাওবগী মনুংদা রামা ফাউন্দেসনগী ওফিসতা পীশিল্লকপা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি। এস টি, এস সী অমসুং দিফরেন্টলি এবল্দ পার্সনশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি। লোয়ননা ট্রেনিশিংদসু আর্কেটিক অমসুং ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট পীগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কারনা থোম্বদা নুপামচা অমা শিরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাং লমখায়দগী ক্বাক্তা মায়কৈরোমদা খোঙনা লাকপা নুপামচা অমা লম্বীদা হুন্দাই আই-১০ কার (এম এন ০৬ এন এ/৩৪৬১) অমনা থোম্বদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎকী নুমীদাং পুং ৮ লোম তাবা মতমদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী মমিং এম দি অনিশ খান (১৫) অপোকপা এম দি খোমৈ কৌই। ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ২দা লৈবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মোইরাং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

কে সী পি (এন)গী নুপী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা লোক্তাক বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিস অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙরাং বিষ্ণুপুরগী ওকসুবুং খুলদা থিবা হুম্বা চত্থবদা কে সী পি (এন)কী কাদর অমা ফারে হায়রি।

কম্বাইন্দ টিমনা ফারবা মীওই অদু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

হিরোইন কে জি ৫.২ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল বট্টালিয়ন অসাম রাইফলস কাঙবুনা ঙরাং ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এরিয়াদা থিবা হুম্বা চত্থখ্রে। অসাম রাইফলসকী কাঙবু অদুনা গম্ফাজোন খুলগী মনাক্তা লৈবা উমংদা থিবা হুম্বা চত্থবা অদুদা হিরোইন কে জি ৫.২ ফাগৎপা ঙমখি। এ আরনা ফারবা হিরোইন পাউদর অদুগী ভেল্যুনা লুপা ক্রোর ২১ রোম ওইবা য়াই হায়রি। এ আরনা ফারবা দ্রগশিং অদু ইম্ফালগী নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোদা মখা তানা থিগৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

স্বাছতা কেম্পেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): ঙসি কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্ট, দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সী এ য়ুনা শীন্দুনা পাঙ্গৈ গোর্খা য়ুথ এসোসিএসন অমসুং পাঙ্গৈ য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নদুনা পাঙ্গৈদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিংগী শঙলেনদা অখন্নবা স্বাছতা কেম্পেন অমা কিষান গোষ্টি ক্লিননেস দ্রাইভকা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা থৌরম অসিদা ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পি সুরবালানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবগা লোয়ননা কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর নোনিবালানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

জগোয়গী লৈজরিবা অশেংবা চৎন-লোনচৎতি কায়হল্লোইসি : এম জয়

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): জগোয়গী তোঙান-তোঙানবা কাঙলোন কয়া লেংশিন্দুনা উৎলগসু জগোয়গী লৈজরিবা অশেংবা চৎন-লোনচৎ, কাঙলোন অদুদি কায়হল্লোইসি হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না ফোঙদোকখ্রে।

অজাদি কা অমৃত মহোৎসবকী মনুং চন্না নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টর, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগা খুৎশম্নদুনা ইমাগী তম্পাক কৌবা কোরিওগ্রাফিককী ওইবা জগোয় লান্থোকপা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম জয়না হায়খি, ফোক অমসুং ক্লাসিকেল দান্স খক শমজিন্নবা জগোয়গী মওং অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা য়েংহন্ননবা হোৎনরিবিনি। জগোয় হায়বসি খুৎথেক-শাথেক, মীৎয়েংগী ওইবদা মীয়ামদা ফোঙদোকপা অমনি। ঠিএটরদা ওইরবসু মসিগী তোঙান তোঙানবা মশক লৈজবা ঙাক্তনি। মসিদা লেংশিনবা, পুনশিনবা হায়বসিদা কোরিওগ্রাফিক্কী তোঙানবা ফজবা মশক অদু য়াওদ্রগদি মদুগী ফজবশিং, নুংদা লৈরিবা কয়াদু উৎথোকপা ঙমদে। মঙাল য়াওদবা অমগুম্না উই। অদুনা তোঙান তোঙানবা জগোয়শিংগী মশক, অশেংবা শাথেক-খুৎথেক কয়াদুদি মাঙহন্দনা পুথোকপা ওইগদবনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এন জি উত্তমনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন পুরক্নবগী লম্বী পীবা অমসুনি। ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন পুরক্নবা হোৎনবদা চীং অমসুং তমগী কলচরেল এক্সচেঞ্জ অমা পাঙথোক্নবা শীল্লি। মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা অসিদা আর্ট এন্দ কলচরনা অহোবা য়াওদনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগদৌরিবনি। থা অসিগী লোইশিল্লকপদা য়ুনিটি ৱিক পাঙথোক্নবা পান্দম থল্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেংবাঙদা তোঙান তোঙানবা আর্টিষ্টকী লূপ খরদা তেংবাঙ পীখি। কোভিদনা মরম ওইরগা মতম চানা প্রদক্সন পুথোকপা ঙম্নখিদে। অদুবু কোভিদকী ফীভম ফগৎলকপনা মরম ওইরগা শেন্থং লৌবীখিবশিংনা মখোয় মখোয়গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপীরো। মসিগীসু মথক্তা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেংবাঙদা পুথোরক্লিবা প্রদক্সনশিংগী ফেষ্টিভেল অমসু তৌজগে খঞ্জরি। ঠিএটরগী ওইনা চন্দ্রকৃতি হোলদা ওক্টোবর ২৫দগী হৌরগা চয়োল অমা পাঙথোক্লনবা পান্দম থম্বনি। জগোয়-ঈশৈগী ওইনদি পুনশিন্নবদা নুংঙাইরোইদবা মরম্না অতোপ-অতোপ্পদা শীঞ্জগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মীচম মীয়াম লাক্লবনি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জিগী মমল হেনগৎহনখিবা মীচম মীয়াম লাক্লবনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্রিবা থাউগী মমল বেরেল অমদা য়ু এস দোল্লর ৮১-৮২ য়ৌরকপদা লৈবাক অসিদা পেট্রোল, দিজল অমসুং কুকিং গ্যাস (এল পি জি)গী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহল্লিবসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অৱাবা নংলবা মীচম মীয়াম্বু অৱাবা ঈপাক্তা ঈরাক্লহনবা খোঙথাংনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপনা লৌই।

হৌখিবা চয়োলসিদা থেঙ্খাং অহুল্লক পেট্রোল অমসুং দিজল থাউগী মমল হেনগৎহনখ্রে। লোয়ননা লায়রবা অমসুং ইনাক খুনবা ইমুংশিংনা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাস (এল পি জি)গী মমলসু জুলাই থাদগী চৎলিবা ওক্টোবর থা ফাওবদা থেঙ্খাং মরিরক মমল লুপা ৯০গী মথক্তা হেনগৎহনখ্রে। অসিগুম্বা কোর্পোরেট মপু খরগীদমক খনবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা পেট্রোল, দিজল থাউগী মমল লেপ্তুনা হেনগৎহনখিবদগী হিংবদা চঙবা তঙায়ফদবা পোৎলম কয়াগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎলকপদা নোংমগী শু-নোংগা ইমুং পুনবা হোৎনরিবা লায়রবা ইমুং কয়াদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স তোয়না থোক্লি। মসিদসু নত্তনা চাকথোং গ্যাসকী মমল খঙহেন হেনগৎহনখিবদগী ইনাক খুনবা, মিদল ক্লাস অমসুং মীচম মীয়ামসু অহেনবা শেনফম পুথোক্লবা হোৎনবদা হায়ফম খঙদ্রবা অৱাবা মায়োক্লহল্লি। মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা ঙমদ্রবা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা লেপ্তুনা পেট্রোল, দিজল থাউগী মমল হেনগৎহনখিবদা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল হল্লিবসি বি জে পি ৱার্করশিংগী ইমুংশিংসুনি। মসিগুম্বা মীচম মীয়াম শিংনবা, পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ শাগৎনবা পুন্নমক্না হোৎনফম থোকই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মীহুৎশিং অমসুং উরিপোক এ সীদগী ভি দি এফ পর্সনেলশিংবু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা মশামক্কী সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা ওফিসতা কৌরগা তাথি-তাওইনা তৌরকখিবা অমসুং ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নরকখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি অব্দুল লতিফনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক অসিনা ভি দি এফশিংগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনরিবা অসিদা অমগী অমগী খেন্নবা থমদনা মণিপুরগী আউটর অমসুং ইন্নরগী লোক সভাগী এম পি, রাজ্য সভাগী এম পি, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এ কয়ানা মপী-মপা ওইবগী মীনুংশি উৎপীদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাওবা অইবা চেথাদুনা তকশিনবীরি। মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ ১০,০৫০না তৌজরিবা দিমান্দ মতিক চাই হায়না কোওপরেসন পীবীরি। চৈরকসিদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা উৎলক্লিবা থৌওং অসিদি মপী-মপা অমা ওইবদা মতিক চাদে হায়না লৌই। থৌদোক অসিদগী খোয়শাওনরবা ভি দি এফ ১০,০৫০গী সোল্যুসন অমা তৌদ্রিবা ফাওবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগী হাউস গার্দ, ওফিস গার্দ অমদি ফার্ম হাউসতা থল্লিবা ভি দি এফশিং মরী লৈনবা এস পিশিংনা খুদক্তগী লৌথোকপীয়ু। লোয়ননা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা চৎপা লম্বীগী মতায়দা আর ও পি, ক্যু আর টি, দ্যুটিনচিংবা অমত্তা এস পিশিংনা থম্বীগনু। নমদুনা দ্যুটি থমজিন্ননবা হোৎনরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না লৌবা ঙমজরোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইমা কৈথেলদা মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মরিশুবা ইমা কৈথেল, টেম্পররি মার্কেট লৈবা শঙ অসিগী লূপ অমা ওইরিবা ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপনা কুমজা ২০১১দগী চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপা ১১শুবা মেরা নোংমা পানবা মেরা চাওরেল হৌবগী ইরাৎ থৌনিবগী থৌরম ঙসিসু কৈথেল শঙ অসিদা লৈরিবা ইমা কৈথেল লাইরেম্বীগী খুভমদা পাঙথোকখ্রে হায়না ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জয়মতি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা কৈথেল শঙ মনুংদা পোৎফম ফল্লিবী অমদি মসিগী অকোয়বদা দুকান ফমদুনা শিন্থা পাংলিবশিংনা চহীগী পাঙথোক্লিবা ইমাবু খুরুমজবগী, ইরাৎ থৌনিজবগী থৌরমসিদা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মখা তারকপদা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা ইমা পান্থোইবী ইরাৎ থৌনিবগী থৌরমসু ইমাগী মফমসিদা পাঙথোকচবনি। ইনাৎপু নুংশিবীবা, খুন্নাইসিবু কনবীনিংবা লমদমসিগী কংলৈ মীয়াম্মসু থৌরমসিদা শরুক য়াবীয়ু। হন্দক চহীগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লূপসিনা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার, বর্মাগী মীতৈগী খুলদা লৈবা ইমাগী শঙলেনদা পাঙথোক্তুনা লাকপা মেরাগী নোংমা পানবা চাওরেল হৌবগী থৌরম অমদি ইমা পান্থোইবী ইরাৎপগী থৌরমদি পাঙথোক্লরোই। অদুবু লাক্কদৌরিবা ইমা ইমোইনুগী থৌরমদি মপুং ফানা পাঙথোকচগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): এম এস এফকী একাদেমীক কেম্পেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি এম এস এফকী এফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী লীচিং মখাদা পোলিটিকেল টোল্ক অমসুং বুক দোনেসন প্রোগ্রাম অমা লমকা রিহেবিলিটেসন এন্দ রিসার্চ সেন্টর, চুড়াচান্দপুরদা পাঙথোকখ্রে হায়না এম এস এফকী এসিষ্টেন্ট দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম মনোরঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা এম এস এফকী এসিষ্টেন্ট দ্রগ এফেয়র্স সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম মনোরঞ্জন, এম এস এফকী এফেয়র্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী কন্সল্টেন্ট আর কে গুনিকান্তনা মরুওইবা ৱাঙাংলোয়শিং ওইখি। চেন ওফ ফ্রিদম ফাউন্দেসন্না লোজিষ্টিক সপোর্টনচিংবা কয়া মতেং পাংখি।

লমকাগী রিহেবিলিটেসনদা লৈরম্বা ইনমেটশিংদা দ্রগ থাদোক্তুনা খুন্নাই অসিগী মশক থোকপা মী ওইননবা পূক্নিং থৌগৎখি। মখা তানা দ্রগনা মরম ওইদুনা লাইরিক তম্বা তোকখ্রবা অমদি থবক শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা ইনমেটশিংদসু করিয়র কাউন্সেল্লিং অমদি লাইরিক পাবগী হৈনবী লাক্লবা, লাইরিক পাবগী কান্নবনচিংবা, লৈবাক্কী লৈরিবা সোসিও পোলিটিকেল ইকনমিক্কী ওইবা ইস্যু কয়াসু থমদুনা য়ুথশিংগী হাংদুনা লৈরিবা থৌদাং কয়া লৌমিন্ননবা ৱারোল থমখি। প্রোগ্রাম অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীং অমদি তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাঙথোক্তুনা রিদিং কলচর অমদি লৈবাক্কী লৈরিবা সোসিও পোলিটিকেল ইকনমিক ইস্যুশিংগী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীদুনা লৈমিন্নরিবা য়ুরুপ খূদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা প্রদক্টিভ ওইবা এক্টিভিটিজ কয়া পায়খৎননবা এৱেয়র্নেস কয়া মখা তানা পাঙথোকখিগনি হায়রি।

লাইশোম সন্তোশনা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কৈরাও রাজেনদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা কৈশামথোং এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চত্থরিবা সেবা ঔর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক হৌজিক নীংথিনা হৌগৎ-কাংখৎতুনা চৎথোক-চৎশিন ঙমদদুনা লৈরিবা শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট মীয়াম্না কৈরাও রাজেন হায়না খঙনবা নিংথৌজম রাজেনবু পূক্নিং থৌগৎলদুনা শেলগী মতেং পীখ্রে।

কৈরাও রাজেন শুমাং লীলাগী ফম্বাক্তা লীলা শান্নরিঙৈগী নীংথিজরবা ফোটো অমগা লোয়ননা শেলগী মতেং অদু লাইশোম সন্তোশ অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিগী কৈরাওদা লৈবা য়ুমদা চৎতুনা কৈরাও রাজেন মশামক্তা খুৎশিন্নখি।

শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কৈরাও রাজেনদা শেলগী মতেং অমসুং ফোটো অদু খুৎশিন্নরদুনা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মণিপুরদসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দাগী লীচিং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকপা সেবা ঔর সমরপন অভিয়ানগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সেবা ঔর সমরপন অভিয়ানগী ঙসি লোইশিনবা নুমীৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আর্ট এন্দ কলচরবু য়োকখৎপা পামজবা অদুগী শরুক অমা ওইনা মশাগী অনাবা অমদগী হৌগৎ-কাংখৎতুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা নীংথিনা ঙমদনা লৈরিবা শক্লাইরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট অসিবু পূক্নিং থৌগৎচবগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা অঙওম্বা শেলগী মতেং অমসুং মহাক্না শুমাং লীলাগী ফম্বাকথক্তা লীলা শান্নরিঙৈগী ফোটো অমা পীদুনা খুদোল তমজবনি। মণিপুরী খুন্নাই অসিবু অফবা মায়কৈ অমদা পুননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মরম অসিনা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিনা শুমাং লীলাগী ফম্বাকথক্তা অমুক হন্না শুমাং লীলা শান্নবীরকখো হায়বা তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিজবগা লোয়ননা অঙওম্বা মতেং পাংজবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মফম হোংদোকপা য়ারোই : কে এ ৱাই ও

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৫দা খিল্লিবা ট্রান্সফোর্মরগী মফম হোংদোকপা য়ারোই হায়না কুম্বী অদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও), কুম্বীগী সেক্রেটরি কে ঐচ ইবোতোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ওগষ্ট ১০দা এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সিষ্টম ষ্ট্রেন্কথনিং ফেজ টু অন্দর আই দি পি এস সিক্স টাউনগী মখাদা কুম্বী বজার অমদি ৱার্দ নম্বর ৫না কোনবা জগাগী মনুংদা লৈবা কঞ্জুমরশিংগীদমক্তা ২৫০ কে ভি এ দি টি (ট্রান্সফোর্ম) অমা খিননবগী অয়াবা পীবীখি। লোয়ননা মরী লৈনবা এম এস পি দি সী এলগী দি জি এম বিষ্ণুপুর অমদি মেনেজর কুম্বী সব-দিভিজনগা কে এ ৱাই ও ক্লবকী থৌমীশিং অমসুং ৱার্দ নম্বর ৫গী লৈকায়গী মীওইশিংগা অনীরক ফিল্দ সর্ভে তৌরবা মনুংদা ৱার্দ নম্বর ৫গী মনুং চন্না মতম কুইনা ফত্ত-হাওদি হুন্দাকফম ওইরুরবা খাসলেন্দ ওইনা লৈরিবা কুম্বী সন্দেল লৈরক মপালগী মফম অসি য়াম্না চাউবা অমদি ঐচ টি লাইনগসু ফিট ৩০ রোমতমক লাপ্নবা ট্রান্সফোর্মর খিনবদা খ্বাইদগী মফম চাবনি হায়না লেপ্পখি। লোয়ননা ক্লব অসিগী মীওইশিংনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৬তা মফম অসি সোসল সর্ভিস তৌদুনা শেংদোক্লবা মতুংদা দিপার্টমেন্টনা শেম-শাবা লোইবীদুনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৯দা ট্রান্সফোর্মর অসি খিনখি।

অসুক কুইরবা মতম অসি কনাগুম্বা অমত্তনা য়েৎলকপা, থিংলকপা লৈখিদ্রগা য়াম্না ঙক্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা কনাগুম্বা মীওই খরনা মরন্নাই ওইবা ৱাখল্লোন্দা মী য়াম্না চিনবা মফমনি হায়দুনা ট্রান্সফোর্মর খিল্লিবা মফম অসি হোংদোক্লনবা ঈরাং শাগৎলকপা অসি লাইবক থীবনি। মতম কুইনা লৈকায়গী লন ওইনা লৈহৌরগদবা ট্রান্সফোর্মর অসি লৈকায় মীয়ামগী খনবীরগা হোংদোকপীগনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমমুক মায়োক্লরে : লেৱা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী অচৌবা চৈথেং ফংদুনা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি পীথম্নখ্রে অমদি শুরগা চাবা ইমুং কয়া লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু মতম শাংনা থমখিবদগী ৱাবনা খম থেংলবা মীয়াম অসিনা হৌজিক অমুক গাড়ী অতোংমল শরুক অহুম হেনগৎতুনা লৌবা অসিনা অমুক্কা হেন্না অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমুক মায়োক্লরে হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ৱাংজিংদগী ইম্ফাল ফাওবদা গাড়ী অতোংমল লুপা ১০০ লৌরি। ইম্ফাল চৎপদা লুপা ২০০ পায়দ্রবদি চৎপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মতম চানা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি গাড়ী মপুগী মখাদা লৈঙাক্লা লৈবগুম তৌরে। গাড়ী অতোংমলগী মতাংদা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা য়ানা লৈরে। লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না ক্লব, এসোসিএসন কয়াগী মতেং লৌরগা গাড়ী অতোংমল হেন্না লৌরিবা অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। মীয়াম্নসু সপোর্ট তৌবীয়ু হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

নুমীৎ ৭নিগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া (নর্সিং সেক্সন) ন্যু দেল্লীগী পাউতাক মতুংইন্না ট্রেন নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা জি এন এম ট্রেনিং স্কুল চুড়াচান্দপুরগী প্রিন্সিপাল অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসর ককচিং দিষ্ট্রিক্টকা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা নর্সশিংগী ওইবা নুমীৎ ৭নিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লি হায়না ট্রেন নর্সেস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট এন তাংবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা হায়, দিভেলপমেন্ট ওফ নর্সিং সর্ভিসেস অমং ট্রেন নর্সেস ফোর দি দিভেলপমেন্ট ওফ নর্সিং সর্ভিসেস, দিসিজন মেকিং ফোর লিদরশিপ এন্দ এফেক্টিভ হেল্থ ক্যের পোলিসী ইন দি পব্লিক হেল্থ প্রোগ্রাম হায়বা হীরমদা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতগী ট্রেন অমসুং ইন-সর্ভিস নর্স ৩০না শরুক য়ারি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌখিবা ওক্টোবর ৪দা লোয়স কনফরেন্স হোল ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মেদিকেল ওফিসর ডা. রাজেন থৌদেমনা চীফ গেষ্ট, টি এন এ আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট অমসুং জি এন এম ট্রেনিং স্কুল চুড়াচান্দপুরগী প্রিন্সিপাল এন তাংবীনা প্রসিদেন্ট, দি এন এ আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি টি ঐচ বিনোদিনি অমসুং টি এন এ আই মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী এদভাইজর প্রেমকুমার অহোংশাংবমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচরস এসোসিএসন (অমেস্তা) জোন থ্রী থৌবালগী মনুংদা লৈরিবা ওজাশিংগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ১১গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অথোকপম জুনিয়র হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না অমেস্তা জোন থ্রী থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অসিদা ওজাশিংগী হৌজিক হৌজিক তাল্লিবা আর ও পি রেক্টিফিকেসন ২০১৯গী লৈরিবা ফীভম অসি মরিক চুম্না খন্নগনি। মরম অদুনা ওজাশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু অমদি কোভিদকী এস ও পিশিংসু ঙাক্না চৎননবা চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

য়ার্ন পাসবুক য়াওনা পেহচান কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): য়ার্ন পাসবুক য়াওনা পেহচান কার্দ য়েন্থোকপা অমদি লেবর কার্দ (ঈ-শ্রম) অমসুং পি এম জে এ ৱাইগী হেল্থ কার্দ শাবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী উয়ুম্পোক্তা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী ষ্টেট স্কিলস মিসনগী চীফ ওপরেটিং ওফিসর কে ঐচ বোবি, উয়ুম্পোক গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর টি ঐচ মেমচা, শক্সম ভারত মণিপুর প্রান্টকী ষ্টেট সেক্রেটরি জিতেন খুমন অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেদিকেল সেলগী কন্ভেনর ডা. কে এস ঐচ কলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. কে এস ঐচ কলানা হায়খি, ৱিভিং, টেক্সটাইলস, হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টকা মরী লৈননা কান্নবা কয়া ফংহল্লিবা য়ার্ন পাসবুক য়াওবা পেহচান কার্দ অসি খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুংদা লৈরিবা ফিশাবী নুপীশিংদা ফংহন্ননবা হোৎনবনি। কার্দ অসি শুংশোয় শোয়দনা পায়ননবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

এৱেয়র্নেস লেকচরস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চুড়াচান্দপুর সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলিবা আয়ুশমান ভারত, অত্মানির্ভর ভারত, পি এম কে এস এন, কৃষি কল্যান অভিয়াননচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্ননবা এৱেয়র্নেস লেকচর প্রোগ্রামশিং চুড়াচান্দপুর, বিষ্ণুপুর, নোনে অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাৎশোই লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাক্সিষ্ট)কী ৬শুবা পাৎশোই লোকেল কনফরেন্স চিঙাঙ্গৈ উচেক্কোন্দা পার্টি অসিগী ভেটরান লিদর সিনাম লুখোইনা অঙাংবা ফিরাল চিংখৎতুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না সী পি আই (এম) পাৎশোই লোকেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি তাওরেম মনিহারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কনফরেন্স অসিগী হৌদোক ৱারোল পীরদুনা সী পি আই (এম) গী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হায়খি, হৌজিক লৈবাক অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক লাকপদগী লোলৈতবা, লৌমী-শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবা লোশিং শেম্বা, মীয়ামদা অওৎ-অনৈ চত্থরকপা হেনগৎলকপা অসিনচিংবশিং অসিনা লৈবাক পুম্বদা মীয়ামগী খোঙজং হেনগৎলক্লি। মসিদগী ঐখোয়বু ঙাকথোক্লনবা শেম-শাবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মতম খরা অসিদা পাৎশোই এরিয়া অসিদা মীয়ামগী খোঙজং শাগৎপগা লোয়ননা পার্টি অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা ৱাফম কয়া থমখি।

পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর শরত সলামনা, হৌজিক্কী মতম অসিদা বি জে পি লৈঙাক্না য়ু পিগী লক্ষিমপুর খেরিদা দেম্মোক্রেটিক ওইবা মওংদা চত্থবা লৌমীশিংগী রেল্লিদা ফূবা চৈবা তৌবদগী অশোক-অপন, অশি-অনা য়াওখিবা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী দিমান্দ পুখৎতুনা খোঙজং চঙশিনবগী তঙাইফদবগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অসিদা লোকেল কম্মিটি অসিগী মেম্বর ১১ নৌনা খনখি অমসুং কমরেদ তাওরেম মনিহারবু সী পি আই (এম) পাৎশোই লোকেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইনা খনখি। লোয়ননা ১৯শুবা সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কনফরেন্সতা শরুক য়ানবা দেলিগেট অহুম অমসুং ওবজার্ভর অহুম খনখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএনএস): হিন্দী লোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা হিন্দী পরিষদকী প্রচারক থোকচোম অমুবা শাষ্ত্রিনা লৈখিদবদা পরিষদকী থৌপুবশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবা শাষ্ত্রি কুমজা ১৯৫৪দগী হিন্দী প্রচার তৌরকপবু শীংথাবা ওইনা হিন্দী পরিষদনা কুমজা ২০০৯দা পাঙথোকপা হিন্দী চয়োল থৌরমদা হিন্দী সেবী সম্মান পীদুনা ঈকায়খুম্নখি হায়না মণিপুর হিন্দী পরিষদ, ইম্ফালগী প্রধান সচিব ডা. অরিবম ব্রজকুমার শর্ম্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

‘মিংচৎ থিনবা হোৎনরকপা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস): ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কাইরেম্বীখোক মমাঙ লৈকায়দা ভোটকা মরী লৈননা য়ুম থুগায়রল্লে, মী ফূরল্লে হায়দুনা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা লমদম অসিদগী নহা ওইরিবা উশম মংলেমবু মিংচৎ থিনবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি হায়না মৈরা পায়বীশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি কাইরেম্বীখোক্তা পাউমীশিংগা উনবা অমদা লাইশ্রম সঙ্গীতা কৌবী মৈরা পায়বী অমনা হায়, নহা ওইরিবা লমদম অসিগী মীয়ামগী থবক তৌজগে হায়দুনা থোক্লক্লিবা উশম মংলেমগী থবক থৌরমশিংদা য়েংশিন্দুনা কেন্দিদেটকী মমানা মীফূই হায়বনচিংবা অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ময়াম অমা শন্দোক্তুনা লমদম অসিদা অপীকপা পোলিটিক্স তৌরক্লিবা অসি অঙকপা পোকই।

ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কনানা করম্বা পার্টিগী ৱার্করশিংনা গুন্দা তৌবনো অমদি করম্বা পার্টিগী ৱার্করশিংনা নোংমৈ পায়বনো হায়বসিদি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। ভোটকা মরী লৈননা মখোয় মশেল নোংমৈ কাপশিন্নরগা গাড়ী ইন্থুনরগা লান্না শন্দোক্তুনা অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংগী মিংচৎ থিনবা হোৎনবগী থবক অসিদি পোলিটিক্সকী খোঙচৎতা অনৌবা অমা নত্তে। মসিগুম্বা অপীকপা পোলিটিক্স খুৎতৌ অসিদি অঙাং মচানা ফাওবা খঙনরবা ঙাক্তনি হায়খি।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না ঙরাং অয়ুক এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী কাইরেম্বীখোক অৱাং লৈকায়দগী কে এস ঐচ ওংবী বিলাশিনি কৌবী নুপী অমদা কেন্দিদেট অমগী মমানা ফূরকই হায়বগী ৱাথোক অমসুং ঙরাং নুমীদাংসু কাইরেম্বীখোক মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ফিজম খোমদোন কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা মীওই খরা চঙলক্তুনা নোংমৈ কাপশিল্লম্মী অমদি গাড়ীশিং থুগায়রম্মী হায়বগী থৌদোক লৈখি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা থৌবাল পুলিসতসু কমপ্লেন অমসু তৌরকপা লৈখ্রে হায়রি।